# কু লিদরশিংনা সু চি থাদোক্নবা যু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা দিমান্দ তৌখ্রে, যু এসনা অথিংবা থম্নবা খন্নরি



ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ০৫ (এজেন্সী) :

কু চথ্দুনা চয়োল অসিগী অঙনবদা লৈঙাক্কী পৱার পায়শিনখ্রবা ম্যান্মারগী মিলিটরি জেনরেলশিংদা দিপ্লোমেটিক অমসুং শেল থুমগী প্রেসর পীবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মিলিটরিনা ফাজিনখিবা লৈবাক অসিগী লুচিংবী ওং সান সু চি অমসুং অতৈশিং থাদোক্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা দিমান্দ তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা কু চথখ্রবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিগী জেনরেলশিংদা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থম্নবা যু এস এদমিনিষ্ট্রেসননা খন্নরকপগা লোয়ননা মিলিটরিনা পৱার থাদোক্লবা প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা দিমান্দ তৌখ্রে।

কম্মর্সিএল কেপিটেল য়াঙ্গোনগী লম্বীশিংদা অহিং চুপ্পা মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী পাত্রশিংদা মখোল হৌনা য়ৈদুনা মিলিটরিগী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাওখি। মিলিটরিগী থৌওং অদুবু চৈদুনা লৈবাক অসিদা পাক্তক্লনা সিভিল দিসওবিদিএন্স কেম্পেইন চথরিবদুদা ইনৌ নৌনা ওজাশিংসু য়াওশিনখ্রে। ঐখোয়না শুপ্নগী ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্টদমক শৌগৎলি অমসুং মতম চুপ্পদা মখোয়গীদমক্তা লেপকনি হায়না পল্লদুনা য়ুনিভর্সিটিগী লেকচরর নৱে থাজিননা হায়, ফোর্স শীজিন্নদুনা পৱার পায়খিবা গভর্ণমেন্ট ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু য়ারোই।

ম্যান্মারগী মতম শাংলক্নবা দেমোক্রেটিক ত্রাঞ্জিসনগী প্রোসেস কু অদুনা লেপহনখি। হৌখিবা নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা ম্যান্মারগী মীখলদা নমথাক্কী থৌওংশিং য়াওখিদে হায়না লৈবাক অসিগী ইলেক্টরেল কম্মিসন্না হায়জরবসু সু চিগী পার্টিনা চাওনা মায় পাকখ্রবা মীখল অদুদা অরান-অহুই অমসুং নমথাক্কী থৌওং কয়া চথখি হায়না মিলিটরিনা মরাল শিখি। অর্মী কম্মান্দর সিন ওং হলাইংগী লিচিং মখাদা জেনরেলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কু চথখিবনি অমসুং চহী অমা চুপ্পা ইমর্জেন্সি লাওথোকখিবনি।

মেম্বর ১৬ লৈবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা শগোলশেন নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেমেন্ট অমদা দেমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং প্রোসেসশিং কায়হন্দবা, ভাইওলেন্স লেপ্পা অমসুং হ্যুমেন রাইটস, ফন্দামেন্টেল ফ্রীদমশিং অমদি রুল ওফ লো মপুং ফানা ঈকায়খুম্নবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈৱাতাশিং বৃটেননা হান্না পীরকখিবা ওরিজিনেল ড্রাফতগী হেন্না থোৎনৌখি অমসুং মদুদা কু চথখিবগী ৱাফম পনখিদে। মদু মমাংদা ম্যান্মার কু কাউন্সিলগী এক্সনদগী কনখিবা চাইনা অমসুং রশিয়াগী সপোর্ট ফঙনবগীদমক্তনি। বৈজিংনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা য়াওরিবা মরু ওইবা মেসেজশিং সাইদ খুদিংমক্না ইন্দুনা ম্যান্মারদা পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা ফীভম অমা লাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না য়ু এনদা লৈবা চাইনাগী মিসন্না ফোঙদোকখি।

এজেন্সিনা খুদক্কী ওইবা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদে। নোবেল পিছ প্রাইজ ফঙখ্রবী মশাগী চহী ৭৫ শুরবী সু চি নিংথৌকাবগী ময়ুক্তা রেইদ চথদুনা ফাখিবদগী মশক উরক্ত্রবনি। পুলিসনা মহাকপু লোনা য়াদবা মওংদা ৱার্কিং টোকি রেদিও তরুক মপানদগী লৈরগা শীজিন্নরম্বগী মরাল শীরিবনি।

# ইন্দোনেসিয়া অমসুং মালেসিয়ানা ম্যান্মারগী মতাংদা অসিঅনগী অখন্নবা মীফম কৌহনবা পান্নি

জকার্টা, ফেব্রুৱারী ০৫ (এজেন্সী) :

মিলিটরিনা কু চথদুনা ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্ট চিংথুখ্রবা ম্যান্মারদা ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা কৌহনবা পাম্মী হায়না ইরাই নুমিত্তা ইন্দোনেসিয়া অমসুং মালেসিয়াগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওং সান চুগী পার্টিনা চাওনা মায় পাকখিবা নবেম্বরগী মীখলদা অরান অহুই কয়া চথখি হায়না মরাল শীরদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিলিটরিনা লৈঙাক্কী পৱার পায়শিনখিবদগী ম্যান্মারগী দেমোক্রেটিক ত্রাঞ্জিসন লেপখি। ইন্দোনেসিয়াদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদিন য়ামিনগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা হায়খি, ম্যান্মারগী মতাংদা অখন্নবা মীফম অমা লাংনবা হোৎননবা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন) গী হৌজিক্কী চ্যের ব্রুটনগা ৱারী শান্নবা মখোয়গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংদা খঙহনখ্রে।

কু অদুনা ম্যান্মারগী দিমোক্রেটিক প্রোসেস মনিং হনহল্লে হায়না মুহিদিননা ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা মীফম অমা পাঙথোকপা হায়বসি তাঙনা থোকপা অমসুং চেলেঞ্জ অমা ওইবা য়াই। মরু ওইনা মেম্বরশিংগী দোমেষ্টিক ইশ্যুশিংদা খুৎ থিংজিন্দবা হায়বা অসিঅনগী পোলিসি অমসুং অর্মীগী কু অদুগী মতাংদা মেম্বরশিংনা অমগা অমগা মান্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লবা লৈবদগী ম্যান্মারগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমদুগী মতাংদা গ্রুপ অসিগী অখন্নবা মীফম অমা কৌবা নত্রগা পাঙথোকপা হায়বসি অরাইবা ওইরোইদৌরিবনি।

ম্যান্মারসু মেম্বর অমা ওইরিবা অসিঅননা চয়োল অসিগী অঙনবদা থোকখিবা ৱারোল অমদা কুনা মরম ওইদুনা ম্যান্মারদা ওইরক্লিবা ফীভম কুপ্না য়েংশিল্লি হায়খিবনি। পাম ওইল পুথোক্লিবা লৈবাকশিংবু তোঙানবা মীৎয়েংনা য়েংবগী থৌওং লৈহন্দনবা হোৎনমিন্নবগী ৱাফমসু ৱিদোদো অমসুং মুহিদিননা য়ানখি।

জোকোৱি (প্রসিদেন্ট) ৱিদোদোনা মালেমগী পাম ওইল খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্লিবা লৈবাক অনীনা দিসক্রিমিনেসন অদু থেংননবা পুন্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না থমখি। মদুদা য়ুরোপনা এন্টি-পাম ওইল কেম্পেইন চথবা অসিনা ইন্দষ্ট্রি অসিবু লান্না উহল্লে হায়না মুহিদিননা ফোঙদোকখি।

পাম ওইলগী ত্রিটিসিজম থেংননবা ইন্দোনেসিয়া অমসুং মালেসিয়ানা এদভোকেসি ফার্ম অমা নেক্নবা থিরি হায়না মমাং থাদা এজেন্সিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রবনি।

মালেমগী শেল থুমগী ওইবা ইন্সটিট্যুটশিংনসু মখোয়গী ফিরেপশিং রিভিয়ু তৌরি। কু তৌদ্রিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ম্যান্মারদা কোরোনা ভাইরসকী মতেং ওইনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৫০ পীখ্রবা ইন্টরনেস্নেল মনিটরি ফন্দনা অনৌবা রেজিম শকখঙবগী ৱাফম অসি মেম্বরশিংগী মত মতুং ইন্না লেপকনি হায়খ্রে।



# পালেষ্টিনিয়নশিংগী লমদা ইজরেলি সেটলমেন্ট এক্টিভিটি লেপ্নবা গুটেরেসনা আপীল তৌখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ০৫ (এজেন্সী) :

পিছ টোক মখা চথবা য়ানবা ওক্যুপাইদ পালেষ্টিনিয়ন টেরিটরিদা ইজরেলনা চথরিবা সেটলমেন্টগী এক্টিভিটি লেপ্নবা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্তোনিও গুটেরেসনা আপীল তৌখ্রে।

শগোলশেন নুমিত্তা কম্মিটি ওন দি এক্সরসাইজ ওফ দি ইনএলিএনেবল রাইটস ওফ দি পালেষ্টিনিয়ন পিপলগী সেসন হৌদোকপদা ৱা ঙাঙখিবা গুটেরেসকী ৱারোল পল্লদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, পালেষ্টিনিয়নশিং অমসুং ইজরেলিশিংনা মখোয়গী কনফ্লিক্ট লৈখাইতাথোকমিন্নবা অমসুং মখা তানা অৱা অনা নংহন্দবগী ৱাফম য়ু এননা শৌগৎখি।

ষ্টেট অনীগী সোল্যুসন অমসুং তুং কোইনা মরা তপ্পা ফীভম লিংবদি অচৌবা খুরৌ অমা ওইরিবা সেন্তলমেন্ট এসিভিটি খুদিংমক খুদক্তা লেপ্নবা ঐহাক্না ইজরেলি গভর্ণমেন্টদা আপীল তৌরি হায়না গুটেরেসনা ফোঙদোকখি।

য়ু এনগী ইজরেলনা পায়শিল্লিবা পলেষ্টিনিয়ন টেরিটরিদা ভাইওলেন্স লেপ্পুবা, ইজরেলনা চথোক চৎশিনদা অথিংবা কয়া থম্বা অমসুং অতৈ মালেমগী হ্যুমেনিটেরিয়ন অমদি হ্যুমেন রাইটস লো খোঙ্গাওনবা অসিনা ইজরেলিশিং অমসুং পালেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা থাজনদবা হেনগৎহন্দুনা মরা তপ্পা ফীভম লাকহনবা ঙমদে।

পালেষ্টিনিয়নশিং অমসুং ইজরেলিশিংগী মরক্তা অমুক হন্না ৱাহন্থোক লৈনা ৱারী শান্নহনবদা অমসুং মালেম পুম্বগী ওপিনিয়ন শাগৎপদা কম্মিটি অসিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি হায়না গুটেরেসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, মতম শাংনা য়ানদুনা লাক্লবা পান্দমদি ওক্যুপেসন লোইশিনবা, ইন্তরনেস্নেল লো, মরী লৈনবা য়ু এন রিজোল্যুসনশিং অমসুং বাইলেটরেল এগ্রিমেন্টশিংগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৬৭ গী মমাংদা লৈখিবা বোর্দরশিংদা য়ুন্স্ফম ওইরগা জেরুসালেমনা ষ্টেট অনীমক্কী কেপিটেল ওইদুনা ষ্টেট অনীগী সোল্যুসন লাকহনবা অসিনি।

য়ু এননা শীন্দুনা ইশ্যু অদুগী মতাংদা মালেমগী ওইবা পিছ কনফরেন্স অমা পাঙথোক্নবা পালেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মাহমুদ অব্বাসনা তকশিনবা লৈখ্রবনি।

# চাইনা সিগী ঈথৎশিংগী মনাক্তা য়ু এসকী ৱার্সিপ থৌজিনখ্রে

টাইপৈ, ফেব্রুৱারী ০৫ (এজেন্সী) :

য়েৎনবা লৈবা সাউথ চাইনা সিগী চাইনানা কন্ট্রোল তৌবা পারাসেল ঈথৎশিংগী মনাক্তা য়ু এস ৱার্সিপ অমা চঙশিনখ্রে হায়না য়ু এস নেভিনা ফোঙদোকখ্রে।



ফ্রীদম ওফ নেভিগেসন ওপরেসন অমা ওইনা ৱার্সিপ অদু মফম অদুদা চঙশিনখিবনি অমসুং মদু প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন মখাদা পাঙথোকপা অদুগুম্বা অহানবা মিসন্নি। লল্লোন ইতিক্কী মথৌ চিল্লবা ঈশিং লম্বী অদু য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরীদা উংখৎনবা লাকহল্লিবা মরু ওইবা ফ্লাসপোইন্টশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অনীনা উংখৎনরিবা অতৈ হীরমশিংগী মনুংদা লল্লোন ইতিক্কী লাল, য়ু এসগী অথিংবশিং, হোং কোং অমসুং টাইৱান য়াওরি।

সাউথ চাইনা সিদা লৈবা বৈজিংনা পায়শিল্লিবা ঈথৎশিং অদুগী মনাক্তা য়ু এসনা বৈজিংবু খোইরাং খোইশাওহন্দুনা লাকখি। লমদম অদুদসু চাইনাগী সোভরেন্টি য়ৌই হায়রদুনা বৈজিংনা ৱাশিংটনবু অতম্না উংখৎনহন্নবা শিল্লি হায়না মরাল শিরি। য়ু এস নেভিগী ৯ শুবা ফ্লীটনা হায়, য়ু এস এস জোন এস মেককেননা ইন্টরনেস্নেল লোগা চান্ননা পারাসেল ঈথৎশিংগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা নেভিগেসনগী রাইট অমসুং ফ্রীদম লৈ হায়বসি উৎখ্রে।

ফ্রীদম ওফ নেভিগেসন ওপরেসন অসিনা চাইনা, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনামমনা লোনা য়াদবা মওংদা থল্লিবা অথিংবশিং শীংনদুনা ইন্টরনেস্নেল লোনা রেকগনাইজ তৌবা সি অদুবু শীজিন্নবগী রাইট অমসুং ফ্রীদম লৈ হায়বসি উৎলি হায়না ৭ শুবা ফ্লীটনা মখা তাখি।

চাইনানা কুমজা ১৯৭৪ দা সাউথ ভিয়েটনামিজ ফোর্সনা অতেনবা লাল অমা শোক্নরবা মতুংদা পরাসেল ঈথৎশিং মপুং ফানা লৌশিনখিবনি। চাইনানা খুৎশেমগী ঈথৎশিং শেমগৎপা লোয়ননা এয়র বেজ খরা ফাওবা শেমগৎখ্রবা সাউথ চাইনা সিগী অতৈ মফমশিং মালেসিয়া, ব্রুনৈ অমসুং ফিলিপিন্সনসু ক্লেম তৌরিবনি।

# *নাভালনিগী কেসনা রশিয়াগা লৈনবা মরীদা শোকহল্লে: ঈ য়ু*



*মোস্কো, ফেব্রুৱারী ০৫ (এজেন্সী) :*

*জেলগী চৈরাক পীখ্রবা ওপোজিসন পোলিটিসন অলেক্সি নাভালনিদা চথরিবা থৌওংশিংনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং রশিয়াগী মরীদা শোকহল্লে হায়না ইরাই নুমিত্তা য়ুনিয়ন অসিগী তোপ দিপ্লোমেটনা রশিয়ন ওথোরিটিশিংদা হায়খ্রে।*

*মিংচৎ থিহনবগী কেস অমগা মরী লৈননা নভালনিবু কোর্টতা অমুক পুথোরকখিবগা ঈরোয়ননা দিপ্লোমেট অদুনা ৱাফম অসি হায়খিবনি। প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী খ্বাইদগী মশক নাইবা ক্রিটিক ওইরিবা নভালনি পেরোলগী কাঙলোন থুগাই হায়দুনা চয়োল অসিদা চহী অহুমলোম জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রবনি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কেস অদু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা রশিয়াদা শেন-থুমগী অথিংবশিং থম্বগী ৱা ঙাঙনখি।*

*ঈ য়ুগী ফোরেন পোলিসি চীফ জোসেপ বোরেলনা ইরাই নুমিত্তা রশিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোভকা ৱারী শানবা হৌখ্রে। ৱারী শান্নদ্রিঙৈগী মাংওইননা বোরেলনা মহাক নাভালনি কেসকুম্বা অরুবা ইশ্যুশিং খন্নবা পাম্মী হায়খি।*

*লাভরোভনা মহাক হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবা অমসুং ঈ য়ু রশিয়াগী মরী য়েংশিন্নবা শেম শারে হায়না ফোঙদোকখি। মমাংদা মহাক্না নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু নভালনিগী কেসকী মতাংদা মরম চাদনা চরাংনবা থোকহল্লি হায়না মরাল শিবা লৈখ্রবনি।*

*শেল থুমগী নকশিন্নবা মরী লৈনবগা লোয়ননা ইনর্জিগী লমদা অমগা অমগা মপান তাঙনবা লৈদুনা কুমজা ২০১৪ দা মোস্কোনা ক্রিমিয়া লৌশিনখিবদগী রশিয়াদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগগী পোলিটিকেল মরী শোকচিল্লকখি।*

*মহাক পুটিননা পাম্বগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২৪ গী মতুংদা মহাকপু মখা তানা টার্ম অনী ক্রেম্লিন পাইনগী মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াহনখিবা মমাং চহীগী রিফোর্মশিং শৌগৎপা প্রমোস্নেল ভিদিও অমদা শরুক য়াখিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী ভেটরন অমবু মিংচৎ থিহনবগী মরালদা ইরাই নুমিত্তা কোর্টতা অমুক হন্না পুথোকখি।*

*নাভালনিনা ভিদিও অদুদা য়াওরিবা মীওইশিং অদুবু লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবা অমসুং অরোনবা থবক তৌবশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।*

# বৃটেননা ত্রাভেলরশিং ফেব্রুৱারী ১৫ দগী নুমিৎ ১০ নি হোটেলদা ক্বরেন্টিন তৌহল্লগনি

লন্দন, ফেব্রুৱারী ০৫ (এজেন্সী) :

বৃটেননা কোভিদ-১৯ হোট স্পোটশিংদগী লাকপা ত্রাভেলরশিং ফেব্রুৱারী ১৫ দগী গভর্ণমেন্টনা এপ্রুভ তৌবা হোটেলশিংদা নুমিৎ ১০ নি ক্বারন্টিন তৌহল্লগনি হায়না বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা লাওথোকখ্রে।

থৌরম অসি থুনা লৌখত্তে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ত্রিটিসাইজ তৌনখিবা মতুংদা ৱাফম অসি লৌরকপনি। মমাং থাদা অহানবা ওইনা লাওথোকখিবা গভর্ণমেন্টনা পীবা মফমশিংদা তঙাই ফদনা নুমিৎ ১০ নি লৈবগী থৌরাং অদু বৃটেনগী ভেক্সিননেসন প্রোগ্রামদা অকায়বা পীরকপা য়ারিবা কোরোনা ভাইরসকী ম্যুটেন্ট ষ্ট্রেনশিং লৈবাক অসিদা চঙলকপা থিংনবগীদমক্তনি।

সাউথ অফ্রিকা অমসুং সাউথ অমেরিকাগী লৈবাকশিং য়াওনা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্টশিং থেংনরবা 'রেদ লিষ্ট' তা য়াওবা লৈবাকশিংদগী লাকপা মীওইশিংদা ক্বারন্টিন অসি চৎনগনি। থৌরাং অদু হান্নদগী চৎনদুনা লাকপা অতৈ থৌরাংশিংগী মথক্তনি হায়না জুনিয়র ফোরেন মিনিষ্টর জেমস ক্লেভর্লিনা ইরাই নুমিত্তা স্কাই ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

থৌরাং অদুগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা ত্রাভেল অমসুং হোটেল ইন্দষ্ট্রিশিংনা তান্দুনা লাক্লবা মতুংদা হৌজিক্না হিথাংফমশিং অমসুং এয়র পোর্টশিংগী মনাক্তা লৈবা হোটেলশিং কন্তেক্ট তৌবা য়াওনা মথৌ তাবা থৌরমশিং ফাইনেলাইজ তৌরগনি।

বৃটেননা কোভিদ-১৯ টেষ্টতা নেগেটিভ ওই হায়বগী প্রুফ মথৌ তাহনবা য়াওনা ত্রাভেলরশিংনা কোভিদ-১৯ পুশিল্লকপা থিংনবগী মখল মখা কয়াগী থৌরাংশিং লৌখত্নুনা লাকখি। খ্বাইদগী রিস্ক ৱাংবা লৈবাকশিংদগী য়ুমদা হল্লক্লিবা বৃটিশ নেস্নেলশিং ক্বারন্টিন তৌনবগীদমক্তা তঙাই ফদবা ফেমিলিটিশিং লাংনবা হোৎনরি হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সপার্সন অমনা ফোঙদোকখি।

থৌরাং অদু হেন্না থুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌদবগীদমক্তা ওপোজিসন লোমেকরশিংনা বোরিস জেন্সনগী এদমিনিষ্ট্রেসনবু চৈথাংখ্রবনি। ঐখোয় অনৌবা কোভিদ ষ্ট্রেনশিংদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবগী মতম লৈত্রে। হোটেল ক্বারন্টিন তৌবা চৎনগদৌরিবসি সাউত অফ্রিকাগী ষ্ট্রেন থেংনখিবা নুমিৎ ৫০ নি হেল্লবা মতুংদনি হায়না হোম এফেয়র্স স্পোক্সমেন নিক থোমাস সাইমন্দনা ফোঙদোকখি।

# ওজাশিং সিভিল দিসওবিদিএন্স কেম্পেইনদা য়াওশিনখ্রে

নেপিটো, ফেব্রুৱারী ০৫ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা মিলিটরিনা পৱার মুনখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা চথরিবা সিভিল দিসওবিদিএন্স কেম্পেইনদা ইনৌ নৌনা লৈবাক অসিগী ওজাশিংসু য়াওশিনখ্রে।

লেবরর খরনা ইরাই নুমিত্তগী থবক লেপ্পা নত্রগা ওথোরিটিশিংদা কোওপরেসন পীবা লেপখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিলিটরিনা কু চথখিবা মতুং মেদিকেল ৱার্করশিংগী মরক্তা সিভিল দিসওবিদিএন্স কেম্পেইন থুনা হৌখি। মথং মথং শন্দোরক্তুনা হৌজিক্তি কেম্পেইন অদুদা ষ্টেট অমসুং প্রাইভেট সেক্টর অনীমক্কী ৱার্করশিং, মহৈরোয়শিং, য়ুথ গ্রুপশিংসু য়াওশিনখ্রে। লেবররশিং অমসুং ওজা কয়ানা অঙাংবা রিবন পুন্দুনা অমসুং প্রোটেষ্ট সাইনশিং পায়দুনা য়াঙ্গোন য়ুনিভর্সিটি ওফ এদ্যুকেসনগী কেম্পসতা লৈবা বিল্ডিংশিংগী মমাংদা পুনখি। লোনা য়াদবা মওংদা ঐখোয়গী ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টদগী পৱার মুনখিবা মিলিটরি হু অসি ঐখোয়না পামদে হায়না লেকচরর নৱে থাজিন হলাইংনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ঐখোয় পৱার মুনবশিংগা মখা তানা থবক তৌমিন্নরোই, মিলিটরি কু অসি মায় পাকহনবা পামদে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা অতৈ ষ্টাফনা খুৎশা অহুমগী সেল্যুট পীখি। সেল্যুট মখল অসি হৌখিবা চহী খরা অসিদা প্রোটেষ্টরশিংনা এসিয়াগী ওথোরিটেরিয়ন রুলগী মায়োক্তা শীজিন্নরকখি। য়ুনিভর্সিটি অদুগী ষ্টাফ ২৪৬ কী মনুংদা ২০০ না প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখি হায়না ষ্টাফ মেম্বর অমনা ফোঙদোকখি।

# খুৎ থোক্নবদা মীওই ২৬ শিরে



কাবুল, ফেব্রুৱারী ০৫ (এজেন্সী) :

ইরাই নুমিত্তা অফঘানিষ্টানগী কুন্দুজ প্রোভিন্সতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং টালিবান মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৬ শিরে হায়না অৱাংবা থাক্কী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল অদুনা সিনহুৱা ন্যুজদা ফোঙদোকখিবদা, খুৎথোক্নবা অদুদা কম্মান্দর অমা য়াওনা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা মিলিসামেন ১৬ অমসুং টালিবান রেবেল ১০ শিখ্রে অমসুং রেবেল মঙা য়াওনা অতৈ মীওই মাপন অশোক অপন নংখ্রে।

খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখিবদা, অয়ুক অঙনবদা খনাবাদ দিষ্ট্রিক্টকী তেপা অখতার এরিয়াদা টালিবান মিলিটেন্ট চা কয়ানা প্রো গভর্ণমেন্ট মিলিস্যামেনশিংদা এটেক চাওনা চথখি। নাকল অনী পুং অহুম হেন্না নোংমৈ কাপ্নখি। অহেনবা ফোর্সশিং থাজিনবদা থিন্থবদগী প্রো-গভর্ণমেন্ট মিলিসামেনশিং শিখিবনি হায়দুনা কুন্দুজ প্রোভিন্সিএল কাউন্সিলগী মকোক মোহম্মদ য়ুসুফনা খুৎ থোক্নবা অদু কনফার্ম তৌখি।

চৈরকসিদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা অফঘানিষ্টানদা শন্দাইনবা পুরক্নবগীদমক হাপখিবা ৱাশিংটনগী স্পেসল এনভোই জালেমে খলিলজাদকা উন্নদুনা লালগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী লম্বী খন্নখ্রে।

অফঘানিষ্টাননা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী মতাংদা এম্বেসেদর খালিলজাদকা খন্না নৈনরে হায়না ব্লিঙ্কননা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি। তোঙানবা ত্বিটর অমদা খালিনজাদনা অফঘান পিছ প্রোসেসকী মতাংদা ব্লিঙ্কনদা ব্রিফ তৌখ্রে হায়খি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-1/1/21(C)
Date: 03-02-2021

PROGRAMMES FOR THE BA/BSC/BCOM/ BFT/BSW/BTT 5TH SEMESTER EXAMINATION, 2020(NOVEMBER)

| Date & Day | HONOURS/GENERAL 9 am to 12 pm | GENERAL 1 pm to 4 pm |
|---|---|---|
| 01-04-2021 Thursday | Honours Paper- V(H-505): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/ Phy/Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/ Phi/PSc/PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Com/HR Chemistry-V(G-505)/English-V(G-505) | Anthropology-V(G-505) |
| 03-04-2021 Saturday | Geography-V(G-505) | Physics-V(G-505)/Political Science-V (G-505)/BTT-501/BSW-501/BFT-501 |
| 05-04-2021 Monday | Honours Paper-VI(H-506): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/ Phy/Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/ PSc/PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Com/HR Botany-V(G-505)/Philosophy-V(G-505)/ Statistics-V(G-505) | Economics-V(G-505)/BTT-502/ BSW-502/BFT-502 |
| 06-04-2021 Tuesday | Mathematics-V(G-505)/Hindi-V(G-505) | Computer Science-V(G-505)/ Sociology-V(G-505) |
| 07-04-2021 Wednesday | Zoology-V(G-505)/Manipuri-V(G-505) | Education-V(G-505)/BTT-503/BFT-503 |
| 08-04-2021 Thursday | Honours Paper-VII(H-507): Chm/Mat/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/ PSc/Ben/DSt/Soc/Com/HR | Geology-V(G-505)/BTT-504/BFT-504 |

*N.B.*

*1) The Internal Assessment marks of 30% for theory papers only are to be submitted to the undersigned on or before 10-03-2021 for getting the Admit Cards.*

*2) The practical examinations shall be conducted after the completion of the examination of theory papers.*

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-P/6763/6

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-1/1/21(C)
Date: 03-02-2021

PROGRAMMES FOR THE BA/BSC/BCOM/ BFT/BSW/BTT 1ST & 3RD SEMESTERS EXAMINATIONS, 2020(NOVEMBER)

| Date & Day | 1ST SEMESTER 9 am to 12 pm | 3RD SEMESTER 1 pm to 4 pm |
|---|---|---|
| 12-04-2021 Monday | Home Science-I(101)/Health Education-I(101)/ Environmental Science-I(101) | Regional Development (NE)/ Fundamentals of Computer |
| 15-04-2021 Thursday | Physics-I(101)/Political Science-I(101)/ BTT-101/BSW-101/BFT-101 | Chemistry-III(303)/English-III(303) |
| 16-04-2021 Friday | Anthropology-I(101)/Physical Education- I(101) | Physics-III(303)/Political Science-III(303)/ Com.E1(303)-Commercial Laws |
| 17-04-2021 Saturday | Computer Science-I(101)/Sociology-I(101)/ Commerce-E1(101)(Business Communication) | Sociology-III(303)/Computer Science-III(303)/Bengali-III(303) |
| 19-04-2021 Monday | General English-I(101)/MIL-I(101)/ (Arts/Science/Com) | Geography-III(303)/Electronics-III(303)/ Com.E2(303)-Business Mathematics & Statistics |
| 20-04-2021 Tuesday | Economics-I(101)/Defence Studies-I(101)/ BTT-102/BSW-102/BFT-102 | Economics-III(303)/Defence Studies-III(303)/Health Education-III(303) |
| 21-04-2021 Wednesday | Commerce-E2(101)(Financial Accounting)/ Human Rights-I(101) | Home Science-III(303)/BTT-301/BSW-301/BFT-301 |
| 22-04-2021 Thursday | Education-I(101)/BTT-103/BFT-103 | Physical Education-III(303)/ Anthropology-III(303)/Com.E3(303)- Management Accounting |
| 24-04-2021 Saturday | Chemistry-I(101)/English-I(101) | Geology-III(303)/Education-III(303) |
| 26-04-2021 Monday | Geology-I(101)/Sports-I(103)/BTT-104/ BFT-104/History-I(101) | Statistics-III(303)/Sports-III(303)/BTT-302/BSW-302/BFT-302/Human Rights-III(303) |
| 27-04-2021 Tuesday | Botany-I(101)/ Statistics-I(101)/Bengali-I(101) | Botany-III(303)/Philosophy-III(303) |
| 28-04-2021 Wednesday | Geography-I(101)/Electronics-I(101)/ Commerce-E3(101)(Business Economics & Environment) | Mathematics-III(303)/Hindi-III(303)/ BTT-303/BSW-303/BFT-303 |
| 29-04-2021 Thursday | Zoology-I(101)/Manipuri-I(101)/Mizo-I(101) | Zoology-III(303)/Manipuri-III(303)/ Mizo-III(303) |
| 30-04-2021 Friday | Mathematics-I(101)/Hindi-I(101) | History-III(303)/Biochemistry-III(303)/ BTT-304/BFT-304/Environmental Science-III(303) |

*N.B.*

*1) The Internal Assessment marks of 30% for theory papers only are to be submitted to the undersigned on or before 10-03-2021 for getting the Admit Cards.*

*2) The practical examinations shall be conducted after the completion of the examination of theory papers.*

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-P/6763/6